পেসেঞ্জরশিংনা খুদক্তা কন্টেক্ট তৌরগদবনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ ঃ হৌখিবা তাং ২১দা এয়ার এসিয়া ফ্লাইটতা লাকখীবী পেসেঞ্জর অমা পোজিটিভ ওইরে। মরম অদুনা নুমিৎ অদুদা এয়ার এসিয়া ফ্লাইট নম্বর আই৫-৫০১দা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা তাং ২৫গী পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা মেদিকেল একজামিনেসনগীদমক অমসুং মথৌ তাবা ক্বারেন্টাইন তৌনবগীদমক্তা ফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪১১৬৬৮ তা কন্টেক্ট তৌগদবনি হায়না স্পিসিয়েল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি। মখা তানা হায়রিবনা কন্টেক্ট তৌরদবশিং আইপিসিগী সেক্সন ২৬৯ অমসুং ২৭০গী মখাদা এক্সন লৌগনি হায়রি।

মণিপুর ভাবন্দা লৈবা য়াগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ২৩ ঃ হোম দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ইন্টর ষ্টেট বোর্দর শিল তৌখিবা অমসুং ইন্টর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট সস্পেন্দ তৌবা য়াওনা লোকদাউন তৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইম্ফাল চংলকপা য়াদনা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী পেসেঞ্জরশিং কোলকত্তা অমসুং মণিপুর ভাবন্দা সেল্ফ পেমেন্ট বেসিস্টা লৈফম অমদি চান থক্লবশিং ফংগনি। ভাবন অসি লংথুমফম ওইগদৌরিবা মণিপুর পেসেঞ্জরশিংনা প্রুফ ওইনা মখোয়গী অরোইবা নত্রগা মখা তানা জর্নি অদুগী টিকেটশিং অদু পুথোক্কদবনি হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জেদিগী চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুরদা...

থৌরাং লৌখৎপা ওইনা থাংমৈবন্দনা পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা মীওই অয়াম্বা য়ুমদগী মপাল থোকহন্দ্রে। নুপীমচা অসিগী য়ুমগী অকোইবদসু পুলিসনা কোইশিন্দুনা থমখ্রে।

মরক অসিদা মণিপুরদা কোরোনাভাইরস লায়নানা নারে হায়বগী পাউ লৈবদগী লৈকাই লৈকাইগী ওইনা উ ৱা ফৈজিন্দুনা লোকদাউন অসিদা মপুং ফানা শৌগৎখ্রে। অদুবু জগা খরদদি পুলিসনা লো লৈতবা লমদম অমা ওইনা মীয়ান্না উখিগনি হায়না লৈরক চংফমশিংদা উ ৱা ফৈজিল্লিবশিং অদু লৌথোকপা য়াওখি।

থৌবাল দি সি ওফিসতা কন্ট্রোল রুম হাংখ্রে

ইম্পাল, মার্চ ২৩ ঃ মীয়ান্না অকিতুজুং ফাওনরিবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী অকনবা চ্যেকশিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিপুটী কম্মিস্নার (দি সি) থৌবালগী ওফিসতা দিষ্ট্রীক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী পুং ২৪ চুপ্প মথৌ তৌগদবা ২৪x৭ গী ওইবা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোকখ্রে।

কন্ট্রোল রুম অসি থৌবাল দিষ্ট্রীক্টকী এদিস্নেল দি সি-এলঃ রধাকান্তনা ঙসি ওর্দর অমা থোক্লগা খুদক্তগী হৌনা হাংখিবনি। ভাইরস অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা মীওইনা অথু-অকায়গী ওইবা মতেং লৌবা পাল্লবদি ফোন / ৱাটচএপ নম্বর ৯৮৬২২৬৭৫৫২ অমদি ৬০০৯৮৮৯১১২ দা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়না ওর্দর অদুনা মীয়ামদা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর সরকারগী হেলথ এন্দ ফেমিলী ৱেলফেয়ারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী রেভিন্যুগী কম্মিস্নার, দিষ্ট্রীক্টভ এস পি, লিলোং অমদি থৌবালগী এস দি ও /এস দি এম, দিষ্ট্রীক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার, পি ঐচ ই দিগী দিষ্ট্রীক্ট পুব ইকজিক্যুটিভ ওফিসার, মরী লৈনবা ব্লোক দিভেলপমেন্ট ওফিসার, দিষ্ট্রীক্ট সপ্লাই ওফিসার, থৌবাল দিষ্ট্রীক্ট পুবা ভেটেরিনেরীগী জোইন্ট দাইরেক্তর অমদি দিষ্ট্রীক্ট এগ্রিকলচরেল ওফিসারনা কন্ট্রোল রুম অসিগী দরকার ওইরকপা মতমদা পাউ ফাওনরক্কদবনি হায়না ওর্দর অদুনা মখা তারি।

কোভিদ-১৯গী চ্যেকশিল থৌরাং ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রীক্টতা মী ৩ দগী হেন্না পুনবা য়াহনখিদ্রে

ইম্পাল, মার্চ২৩ ঃ হৌজিক মালেমগী অতে মফমগুম মণিপুর য়ৌনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী ভাইরস অসিগী অকনবা চ্যেকশিল থৌরাং ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রীক্টতসু দিষ্ট্রীক্ট অসিগী দিষ্ট্রীক্ট মাজিষ্ট্রেট নোংমাইথেম বন্দনা দেবীনা ঙসি সি আর পি সি ১৯৭৩ গী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা ওর্দর অমা থোক্তুনা দিষ্ট্রীক্ট অসি শিন্নুনা মী ৪ দগী হেন্না পুনবা য়াহনখিদ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউঅমনা ফোঙদোক্লি।

অকিবগী মশক ফংলবা ভাইরস অসিনা পব্লিক হেলথ অমদি পব্লিক ত্রাঙ্কুইলিটীদা পীরক্কনবা চৈথেং অদু য়েংলগা চ্যেকশিল থৌরাং অমা ওইনা অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদসু অকায়বা পীরক্তনবা সরকারগী ইঙ্গিৎ মখাদা অথিংবা অসি থমবনি হায়না দিষ্ট্রীক্ট মাজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অদুদা পল্লি। মতম কত্তবা অথিংবা অসি থল্লিঙৈগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা য়ুম য়ুমদগী মপাল থোরকপা য়ারোই। কনাগুম্বনা অথিংবা অসি থুগায়বা তরবদি আই পি সিগী সেক্সন ১৮৮ গী মখাদা দন্দী ফংগনি। অথিংবা অসি লো এনফোর্সমেন্টকী থবক পায়রিবা সরকারগী এজেন্সী অমদি অতৈ ইসেন্সিএল সার্ভিসশিংদদি চংনরোইহায়রি।

মপান্দগী হল্লকপশিংনা ভোল্যুন্টরি থোরক্তুনা...

অমসুং ষ্টেট অমসুং লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা শন্দোরক্কদৌরিবনি।

মপান্দগী লাক্লিবা মীওই অদুনা মহাক চনাদগী লাকপনি, ইংলন্দদগী লাকপনি, ইটালিদগী লাকপনি, বংলাদেশতগী লাকপনি হায়বদা করিসু ইকাইনিংঙাই ওইদে। এয়ারপোর্টতা নত্রগা মফম অমদা রিপোর্ট নিংথিনা তৌরগা ক্বারেন্টাইন তৌথোকপীয়ু। নুমিৎ ১৪ নি ফাওবদি কোভিদনা নারবা মীওই অদুদা করিসু উৎথোক্তনা লৈরবা মতুংদা নুমিৎ ১৪ নিগী মতুংদা নাবগী সিম্পতোম উৎথোরকপা লায়নানি। নুমিৎ ১৪ নি করিসু তৌদ্রগদি অদুমক চিংননিংঙাই ওইদ্রে।

মপান্দগী লাকপশিংনা মশানা ভোলুন্টরি অদুমক নিংথিনা থোরক্লগা চেক তৌথোকপীয়ু। ঐখোয়না ইরমদম অসিদা হল্লক্লে হায়বগী চাওথোকপগা লোয়ননা ইশাদা করিগুম্বা অমত্তদি ফাওদে, অদুবু ক্বারেন্টাইন তৌথোকপীয়ু হায়বদা ইকাইনিংঙাই ওইদে। মদু নত্তনা লোৎতুনা থল্লগা মহাক অমসুং মহাক্কী লৈকাইদা লৈজবা করিসু খঙজদবা কয়াদা লায়না শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনমিন্নসি। মীওইবগী পুন্সি কনবা অমসুং ভাইরস অসি থিংনবা হোৎনবদা চপ মান্নবা চংই। দিসপ্লিন অমা চংই। চিনাদা লায়না অসি থিংবা অমসুং ঙাকথোকপা ঙম্বগী মরমদি মীয়ান্না চপ মান্ননা অমত্তা ওইনা সরকারনা হায়রকপা ৱাফম অদুবু ঙাকপদগীনি। চিনাদদি থোকপা য়াদে হায়রগদি থোক্তে, তৌবা য়াদে হায়রগদি তৌদে।

য়ুমদগী মপান থোকপীগনু। কার্ফিয়ু মতম খরা থমখিগনি।

চিফ মিনিষ্টর বিরেননা মখা তানা হায়, হৌজিক কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা অমসুং ভারত্তা নাবগী চাং হেনগৎলক্লি। ঙসি অসি য়ান্না লায়বক থিবা থৌদোক ওইনা ভারতকী ৱাংমদা মহৈ তম্লুবী লৈশাবী মচা অমা পোজিটিব ওইরে। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা হৌজিক পুক্নিং লাংতক্লবা অমসুং চিংনবা কয়া পোক্লরি।

লায়না অমা লায়েংবা হায়বা অসি লায়না অদু করিনো হায়বা খঙলবা মতুংদা দাক্তরনা হিদাক থাগদবনি। কোভিদ-১৯ হায়রিবা লায়না অসি করিনো, করন্না ফহনগদগে হায়বা হৌজিক মীয়ান্না খঙনরে। অদুবু মণিপুরদা হৌজিক মীয়ান্না পুকচেল শেংনদবা অমসুং করি তৌগদগে হায়বা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা অমসুং নাচুংদনা লৈবগী মওং অমদা লৈরিবা অসি লায়বক থিবনি। মসি থাদোক্লবা হোৎনসি।

কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈদি য়ুমদগী হেন্দোক্তনা ইশা ইশাগী য়ুমদা চেকশিন্না লৈবা অসিনি। অসিগুম্বা কোভিদ-১৯ অসিদগী ঙাকথোক্লবা য়ান্না মাঙজৌননা মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী ইম্ফাল এয়ারপোর্ট, মাও, জিরিবাম য়াওনা মফম কয়াদা স্ক্রীনিং তৌদুনা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎখ্রবনি।

কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা য়ুম য়ুমদগী হেন্দোকপীগনু হায়রবা ফাওবদা লায়বক থিবদগী মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ান্না য়ুম য়ুমদগী লম্বীদা শোরোক্তা থোক্তুনা লৈবা অসি খ্বাইদগী লায়বক থিবনি। মসি তৌবিগনু হায়না কয়ারক হন্না সরকারনা হায়জরবা ফাওবদা হৌজিক মীয়ান্না থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরি।

মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী ঙরাং ষ্টেট অসিদা লোক দাউন তৌরে হায়না লাওথোক্লবা অসি ফাওবদা মীয়ান্না লম্বী শোরোক্তা পংথোক্তা থোরকপদগী সরকারনা ঙসি নিংথিনা খন্নরবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা কার্ফিয়ু লাওথোকপনি। কার্ফিয়ু থল্লবা ফাওবদা মীয়ান্না কার্ফিয়ু য়েংলিবনি হায়দুনা লম্বী শোরোক্তা থোক্তুনা য়েংবা তৌবিগনু। কার্ফিয়ুগী মিংদা মীয়ান্না গ্রুপ গ্রুপ পুনশিন্দুনা য়ুমগী শঙ্গোইদা করিদা জুৱার শান্নবনচিংবা তৌবিগনু। মীওই ৫ দগী হেন্না পুনবিগনু। মী অমগা মী অমগা ফিট ৩ দগী তাদনা লাপ্পগা লৈবিয়ু হায়বনি। সরকারনা হায়রবা ফাওবদা মীয়ান্না তাবিদবা তৌবিগনু। তুংগী মীরোলগী খল্লগা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক সরকারগী ওফিস, স্কুল কলেজ লোয়নমকসু থিংলে। য়ুমদগী হেন্দোকপীগনু। সরকারগী মায়কৈদগী এপ্রিল থাগী চেঙসু ঙনখৎনা লেন্না মীয়ামদা ফংহন্নবগী থবক পায়খৎলে। নাফসাগী কার্দ পায়বা নত্রগা সিএমঐচটিগী কার্দ পায়বশিং খুদিংমক্তা চেঙ ফংহন্নবগী থবক পায়খৎলে।

লৈকাইগী দুকান নত্রগা মনা মশিং য়োনবশিং সরকারনা থিংবা লৈতে। মীয়ান্না পুল্লপ পুল্লপ থোকপদি তৌদনা অদুমক দরকার লৈবশিং লৈবিয়ু।

তঙাই ফন্দবা থৌরমতমক পাঙথোকপীয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ২৪ঃ মীদগী মীনা পাক শন্না মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা করিনো হায়বা ঙমদ্রিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎ লাকপা অসিদা লমদম অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা লাইনিংথৌ সনামহি লাৎপীরিবা অমদি সনামহি লাইনিং চৎলিবা ইরৈচা পুন্নমক্তা করিগুম্বা অমত্তং হায়জরি মদুদি, সনামহি লাইনিং চৎপশিংগী লাইগী ঈরাৎ থৌরমশিং পোকপদগী ইপাল থাবা, অশি-অনাগী লৈহুন, লান্ন-থৌরম, থাগী লুক কৎপা, ফিরোই, চহীগী কুমওন, নাহুৎ-নারেং, মৈ ঈরাৎপা তু-খোং শেংবা, য়ুম শঙ্গাবা অমদি লুহোংবা য়াওনা মীয়াম য়ান্না পুনবা তোঙান-তোঙনবা থৌরম কয়া লমদম অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা কোইনা চৎতুনা লাইথৌশিং পাঙথোক্লিবা অমদি পুৱারী লিরিবাশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা অমাই পিবা অপুল লুপ (অপাল) কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী ঈরৈচাশিংনা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপা মতমদা লাইগী ওইবা তঙাই ফন্দবা অদুতমক য়েংলগা থৌবু অমদি লাইথৌ থৌরিবা অনিতনা পাঙথোকপীনবা মীয়াম পুনবীদনবা খঙহল্লি হায়না অমাই পিবা অপুল লুপ (অপাল) কংলৈপাক্কী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক লৈবাক পুম্নমক্না মাইপাইনরিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিদগী ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈমীন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীয়ামবু কঞ্জনবা থৌরাংশিং মনুং চন্না মতম খরা মীয়াম য়ান্না পুনবা চাক-ঈশিং য়াওবা থৌরম অমদি মীয়াম পুনবা য়াবা চাওথোক্কদবা থৌরমশিং পুন্নমক মতম খরাগী ওইনা লেপীমন্নবা হায়না অপাল কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী থৌরম শিনবীরিবা থৌবুশিংদা হায়জরি। মীদগী মীদা য়ান্না থুনা শন্দোকপা য়ান্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লাইচৎ অমা ওইবনা হেক য়ারিবমখৈ মী পুন্দনবা হোৎনবা মথৌ তারি। মরম অদুনা লাইথৌ তৌবদা মীয়াম পুনবা য়াবসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি।

সরকার অমদি অখং অহৈশিংনা পীরিবা পাউতাক অসি ঐখোয় পুম্নমক্না ঙাক্না চৎমীন্নসি। হেক য়ারিবমখৈ লাইথৌশিংদা মী পুনগুমসি, মীয়াম পুন্না লাইথৌ তৌবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইগনি। মরম অদুনা থৌরম পুন্নমক হেক য়ারিবমখৈ থৌবু অমদি লাইথৌ তৌরিবা অমাই-পিবাশিংগা তান্নরগা তঙাই ফন্দবা অদুতমক পাঙথোকপীনবা লমদম অসিগী মীয়ামদা হায়রি। লাক্লিবা শজিবু নোংমা পানবা লমদম অসিগী চীং-তমগী চৈরাওবনা লাকপদা অপাল কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা নুমিৎ অসিদসু তঙাই ফন্দবা য়ুমগী ওইবা লাইগী থৌরমক্তমক পাঙথোকপীয়ু হায়রি।

কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী

পুশিল্লকপা চিঞ্জাক চারুবদা ভাইরস অসিনা নাহন্দে ঃ দাইরেক্তর

ইম্পাল, মার্চ ২৩ ঃ কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা চিঞ্জাক চারুবনা চিঞ্জাক্তু চারুরিব মীওইশিংদা ভাইরস অসিনা নাহন্দে হায়না মণিপুর সরকারগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর দাঃ কে রাজোনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

থাংমৈবন্দ লৌরুপুরেল লৈকাইদগী য়ু কেদা চৎলুরগা হল্লকপা নুপীমচা অমা ভাইরস অসিগী কেস পল্লস্বগী রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা লমদম অসিগী মীয়ান্না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা ৱাফম ৫ গী পাউজেল অমসু দাইরেক্তরনা মীয়ামদা থল্লক্লি।

পাউজেল অসিগী মতুং ইন্না ভাইরস মখল অসিনা মরু ওইনা মীওইবদা নুংশা-শ্বর হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবদা শোকহনবতা নত্তনা হাকথি খনবা, লোক খুবা, ভাইরস অসি পল্লবা খুৎশা অমসুং পোৎচৈ শোক্লু থেংলুরবদি মী অমদগী অমদা শন্দোকহল্লি হায়রি।

নিংথিনা থোংদোক্লবা ফার্মদা য়োকপা শাশিং অমদি মশা অমসুং মরুম চানবা য়েন, ঙানুনা চিংবা নিংথিনা থোংদোক্লগা চাবদা অকায়বা করিসু লৈতে। অদুম ওইনমক অতেকপা নত্রগা নিংথিনা থোংদোক্ত্রিবা শা চাবা য়ারোই। উনদা লিদুনা থম্বা চিঞ্জাক খুদিংমক নিংথিনা থোংলবা মতুংদা চাগদবনি হায়রি।

মখা তানা অতেকপা উহে-ৱাহে, মনা-মশিং চাদ্রিঙৈগী মমাংদা নিংথিনা লু-নান্না চামথোকপীদুনা লায়না-তিন্না চংলোইদবা মওংদা থম্বীদুনা লু-নান্না চাবগী চৎনা-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎনবসু দাইরেক্তরনা আপিল তৌরক্লি।

কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লবা থৌরাংশিং লেপ্তনা পায়খৎলি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতসু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা খোংজং লেপ্লা লৈতনা চৎখ্রি। ঙমখৈ পরিংশিং অয়ুক, নুংথিল, নমিদাং, নাইদনা ঙাক শেল্লি।

মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুসিল, কম্মান্দো অমদি অসাম রাইফলসকী পার্সনেল কয়ানা মোরে টাউন মনুংদা মী চখোক চৎশিন তৌহনখিদে। লোয়ননা লম্বী, শোরোক অমদি য়ুম য়ুমগী থোংঙ্গানশিংদা মী পুনবসু অথিংবা থমখ্রে। নাকল অমরোমদা প্রাইমরি হেলঠ সেন্টর মোরে অমদি সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মোরে অসিগী ষ্টাফকা লোয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিমশিংনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা হেলঠ এৱার্নেস প্রোগ্রাম কয়া অমা লেপ্তনা চখরি। ঙরাং মক্তসু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এসপি (ওপ্স) টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমদি ২০ শুবা অসাম রাসপলসকী ক্বাথা পোষ্ট কম্মান্দরনা লুচিংবা টিমশিংনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর ৮১, ৮২ ময়াদা লৈবা খুল কয়াদা হকথেংননা চৎতুনা বোর্দরগী ফিভমশিং য়েংশিনখি। লোয়ননা খুঞ্জা কয়াদা কোরোনাভাইরসকী মতাং অমদি হায়রিবা ভাইরস অসিদগী করম হায়না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদসু পাউতাক কয়া অমা তাক্লমখি।

মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমদি অসাম রাইফলস খক্তনা লৈবাক অসিবু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়দুনা মোরেগী তোঙান তোঙানবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং অমদি ফার্মাসি ফম্লিবশিংগা ৪৩ শুবা অসাম রাইফলসকা খুৎশন্নদুনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা লৈবা খুল কয়া মিং ওইনা পল্লবদা বোর্দর পিল্লর ৮০ ময়াদা লৈবা গোভজাং ভিল্লেজ, বিপি ৭৬ ময়াদা লৈবা হাওলেনফাস ভিল্লেজ অমদি মোরে টাউন মনুংদা ট্রি লেয়র মাস্কশিং লেন্না য়েন্থোকখি। সেনিটাইজরশিং শিজিন্নবা তম্বিখি।

লোয়ননা য়ুম য়ুমদগী মতম খরা মপান থোক্তবা, ঙমখৈ লানশিল্লগা ম্যান্মারদা চংবিদবা অমদি খুৎশা তোয়না হান্বিনবা পাউতাক কয়া অমা তাকপি তম্বীখি। লোয়ননা ভলন্টিয়ারশিং অদুনা খুল কয়া অমদি মোরে টাউন মনুংদা লম্বী শোরোক্তা শান্নরম্বা অঙাংশিংবু মাস্ক উপ্পিদুনা ময়ুমদা তানশিল্লমখি।

খঙজিনবা য়াবা ৱাফমদি ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবা অনিগী ঙমখৈ পরিং মরুওইনা মোরে অমসুং তামুগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিংশিংদা ৪৩ শুবা অসাম রাইফলকী কাংবুশিংনা ঙমখৈ লাম্থোক লানশিন তৌদনবা অহিং নুংথিল নুমিদাং নাইদনা অকনবা মওংদা ঙাক শেল্লি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা মীওইশিং খক্তা নত্তনা তমথিরবা কোরোনাভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা থৱায় কথোক্তুনা মথৌ তৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফ, পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী মীওইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকপা ওইনা খুল কয়াদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অমদি মোরে প্রজাশিং খুবাক খুদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

নোর্থ ইষ্টকী প্রজাদা তত্তনা এতেক্ট তৌবদগী কনবীনবা

নেফীসনা হোম মিনিষ্ট্রীদা মেমেরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ ঃ লৈবাক অসিদা এনকোভিদ-১৯ গী ভাইরস শন্দোরকপগী অকনবা চরাংনরিঙৈগী লৈরক অসিদা দিল্লি য়ুনিভর্সিটীদা মহৈ তম্লিবা মণিপুরগী মহৈরোই অমদা চখিবা লুজদবা থৌওং অদুনা খুদম অমা ওইনা লৌরগা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী প্রজাদা তত্তনা তৌরক্লিবা এতেক্ট অদুগী মতাংদা থিংবা য়াবা থবক লৌখৎনবা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেস্নেল সোলিদরিতী (নেফীস) না হোম মিনিষ্ট্রীদা ঙসি মেমোরেন্দম পীদুনা তকশিনখ্রে।

নোর্থ দিল্লিগী বিজয়নগরদা হৌখিবা মার্চ ২২ গী নুমিদাংদা মশাগী চহি ২৫ মুক শরবা মহৈরোই অসিনা মমান্নবী অমগা লোয়ননা হৱাই-চেংৱাই লৈবা চৎলুবদা স্কুটরদা লাকপা মীওই অমনা মমায় মমিৎ, মশম অমদি মশাদা লিৎলিবা টি-সার্ট চোৎপা মখৈ "কোরোনা" হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নদুনা লাওশিল্লগা ক্না মহী ওশিল্লম্বগী থৌওং অদু নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদা অতন্ননা করেন্নবা উৎপনি হায়বা ৱাফমসু মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

লেপ্পা নায়দনা থোরক্লিবা পামদবা থৌদোক অমা ওইনা হৌখিবা মার্চ ৩ দসু দিল্লি য়ুনিভর্সিটীগী কেম্পস ময়াদা মীওই ৬ না নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোই ২ দা কোরানা ভাইরস হায়বা ৱাহৈশিং শিজিন্নদুনা চৈ-থাংখিবগী থৌদোক অমসু থোকখ্রে হায়না নেফীসকী দিল্লি য়ুনিৎকী মেম্বর থোকচোম য়াইফলেম্বী চন্নুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা নৌহৌননা নিংশিংলক্লি। দিষ্ট্রীক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন পুন্নমক্তা অসিগুম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদা চ্যেকশিল থৌরাং লৌখৎহন্নবা পাউতাক পীনবা দাবীসু মেমোরেন্দম অদুদা য়াওই হায়রি।

অচৌবা শেনফম কাইথোক্তুনা...

খুদিংমক্তগী নোংমখক্কী তলব ককপা নত্রগা দান তৌবা হায়বসিসু শেলথুমগী ফীভম ফত্তবা ষ্টেটশিংদা মতেং য়াম্না ওইগনি।

লোয়ননা সিভিল সপ্লাইগী থবক তৌরিবা কাংবুদা ত্রান্সপরেন্ট লৈনা অথুবদা লৈঙাক্লা থাগী চেংয়েন লেম্না য়েনগদবা অদু খুদক্তা ফংহল্লু হায়না সি পি আইনা অপিল তৌরক্লি।

নাকল অমরোমদা কোম্বৌজম লোকেল কাউন্সিল সি পি আইগী চেরোলনা হায়, কোম্বৌজম কেন্দ্রগী মীয়ামনা লায়েংফম ওইরিবা খুম্বোং অমসুং নম্বোলগী ডাক্তরশিং চিন খুম্নবা মাস্ক অমসুং খুৎ হামদোক্লবা মহিক হাৎপা ঙম্নবা সেনিটাইজরশিং মরাং কায়না পীথদুনা মীয়ামদা মরাং কাইনা লেম্না ফংহন্নবা দাবী তৌরক্লি।

কেন্দ্রসিগী খুল খুদিং অমগা-অমগা চংনবা ফাওবা থিংজিনখ্রে। অদুবু লায়না অসিদি হেক্তা চঙলক্লস্বা য়াবগী অকিবা লৈ। মপাল লমদা লাইরিক লাইশু তম্লুবা অমদি থবক তৌরম্বা কয়া কেন্দ্র অসিদসু লৈবনা নারম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ গা মান্নবা লাইহৌ অমদি লোক থুংলকপদা লায়েংনবগী মফম ওইরিবা ডাক্তরশঙ অমদি ডাক্তরশিং, নর্সশিং লৈহন্নবা দাবী তৌরি। লাইরবা ইমুং কয়া চেং লৈজদবা য়াওদবসু নত্তে। মখোয়গীদমক য়েংলগা নফসাগী চেং লেম্না য়েনগদবসু খুদক্তা য়েংবীনবসু অপিল তৌরক্লি।

চাক্লৌবগী থৌরম পাঙথোকহনখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৪ঃ পৃথিবীগী লৈবাক অয়াম্বদা তপ্পা-তপ্পা শন্দোরক্লিবা তমথিরবা লায়না কোভিদ-১৯ (নোভেলন কোরোনাভাইরস) শন্দারক্তনবা দি সি থৌবালনা থোকখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা লমদিং এলাংবম লৈকাইদা মঙানি চাক্লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বা মফম অনি লমদিং এদুকেসন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মশিং য়াল্লবা থৌমীশিং অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অনিনা পুনশিন্দুনা মঙানি চাক্লৌবা মফম অনি তোকহনখ্রে হায়না লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা) লমদিং খুমহেম লৈকাইগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থবক পুম্নমক প্রজা মীয়ামগী য়াইফনবা ঙাক্তনি হায়বা অসি কাওনগুমসি লোয়ননা চেকশিনবা হায়বা অসি নত্তনা অতোপ্পা উপাই অমত্তা লৈরোই। হৌজিক ফাওবা হিদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবা য়াম্না শন্দোক্লনবা লায়না অমনি হায়বা অসি ঐখোয় পুন্না ভাব তামীন্নসি, লৈঙাক্কী হুকুমবুসু ইকাই খুম্নসি হায়বা ৱাফম লৈবাক মীয়ামদা থল্লি হায়রি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কন্ট্রোল রুম ২ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৪ঃ মালেমদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টগী ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সার্ভিলেন্স ওফিসার য়াওনা কন্ট্রোল রুম অনি হাংদোক্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর আমষ্ট্রোং পামৈনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অদুগা মরী লৈননা মালেমদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসপু লমদম অসিদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিাল অমদি নোদেল ওফিসারবু নৌনা কন্ট্রোল রুম হাংদোকখিবনি। হায়রিবশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: গুইথাইথিয়ুগী ওফিসকী কন্টেক নম্বর ৯৪৩৬০১৮০৭৫, ৮৭৮৭৬৭৪২০১ অমদি সার্ভিলেন্স ওফিসার ডা: রোঞ্চুলুংগী কন্টেক নম্বর ৮৪১৩০১৫৮৩১ হায়রিবা নম্বর অসিদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কনাগুম্বা মীওই অমনা পাউ পীরকপা য়ারগনি হায়রি। লোয়ননা কন্ট্রোল রুম অসিদগী মখা তাবা পাউ লৌবীদুনা কোভিদ-১৯ গী মরমদসু হেন্না কুপথনা খঙবা য়াবগনি হায়রি।

ক্বাথা খুলদসু মীতোপ চঙবা থিংলে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ঃ মালেমদা কিনিংঙাই ফংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্বাথা খুলদা মীতোপ চঙবা থিংলে হায়না মায়কৈ অদুদা লৈরিবা সি এস ওশিংনা হায়রি।

ক্বাথা খুলগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পাইবীগী মীহুৎশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা খুল অসিদা তারিবা মেইন রোদপু শম্বল খাদুনা থিংবগা মরী লৈননা মায়কৈ অদোমগী ক্লবকী মেম্বর ওইরিবা ইবোয়াইমানা পাউমীশিংগী মমাংদা হায়, ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা টোটেল লোকদাউনগী খোঙজং লাওথোকখিবগা মরী লৈননা ঙসিদগী খুল অসিদা মীতোপ চঙবা থিংলে। খুল অসিদগী অতোপ্পা মফমদা চৎখিগদবা মীওইশিংসু মখা তানা থিংখিগনি। লোয়ননা হায়রিবা খুল অসিদা কনাগুম্বশিংনা চঙনিংবা লৈরগদি ক্লব অমদি মৈরা পাইবীশিংগী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়াররোই। অদুগা খুল অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লসু ময়ুমদগী হেন্দোক্তুনা লৈবগা লোয়ননা করিগুম্বা লৈকাইগী ক্লব অমদি মৈরা পাইবীশিংনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বশিংনা চখরক্লগাদি মদুগী অফ-ফত্তগী দাইত্য মশা-মশানা পুজগদবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনবীগনু

ইম্ফাল, মার্চ২৪ঃ কোরোনাভাইরস লায়নাগী খুদোংচাবা লৌদুনা করবার তৌরিবা মী কয়ানা পোৎ-চৈগী মমল কা-হেন্না য়োন্নরকপা অসিদা কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা মীয়ামনা শিবা-চংবা ঙমদনা লাম্হেংনরিঙৈদা হুরানবগী থবক চখবগুম্বনি। অদুগুম্বা মীফত্তশিং অদু ঈশ্বরনা কৈদৌঙৈদসু চানবীফম থোক্তে। সহরশিংগী করবারৱালা অচৌবশিংনা শেন্দোং চাওনা লৌদুনা পোৎ তাংখৎহল্লবনিনা খুঙ্গংগী দুকান মচাশিংনসু তাংনা য়োন্নরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা শেন্দোং তানবা করবারৱালাশিংবুসু বুক তৌগদবনি।

লোয়ননা লৈঙাক্কী ডাক্তরশিংদা মতিক চাবা পোৎলম থম্নবা, অঙ্গলৱাদিশিংদা পীবা পোৎলমশিং কোরোনাভাইরস থেংনরিঙৈসিদা মতিক চানা ফংহন্নবা অমদি নফসাগী চেংশিং মীয়ামদা ফংহল্লু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা দাবী তৌরক্লি। স্কুলশিংদসু মিদ-দে-মিলগী চেংশিং ফংহন্নবা দাবী তৌরি, মসি ময়ুম-ময়ুমদা য়ৌহনগদবনি হায়রি।

মপাল্লমদগী হল্লকখিবশিং লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু, ক্বারেন্টাইন...

আইসোলেসন ৱার্দতা ক্বারেন্টাইন তৌরগা থল্লি। অদুগা মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওই ৬ না হৌজিক সরকারনা আইসোলেসন ৱার্দ ওইনা নৌনা শেমগৎনবা হোৎনরিবা মফম অমদা ক্বারেন্টাইন তৌদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থমখ্রে হায়না মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা হৌজিক পোজিটিব ওইরে হায়না কনফার্ম তৌরবা নুপীমচা অসিগা লোয়ননা পুন্না ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা লাকমিন্নখিবা অমসুং তোংমিন্নরকখিবা অমসুং মহাক্কা পুনখিবা অতৈ মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা সরকারনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি। মহাক্কা পুন্না এয়ার এসিয়া ফ্লাইটতা তোংমিন্নরকখিবা পেসেঞ্জরশিং অদুগী মশক খঙদোক্তুনা মখোয় করম্বা মফমদগী লাকপনো হায়বগী হিষ্টরি থিগৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মখোয়বু তোঙানবা আইসোলেসন ৱার্দ অমদা নুমিৎ ১৪ নি চুপ্পা হকচাং শাগৎপা, লোক খুবা, শ্বর হোনবা ৱাবরা হায়বনচিংবা তোয়না চেক তৌদুনা থন্নবা হোৎনরি।

মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হৌজিক নিংথিনা মরাং কায়না লৈত্রিবা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমসুং পার্সোনেল প্রোটেক্সন ইক্লুইপমেন্ট(পিপিই) নচিংবা দরকার লৈবা পোৎলমশিং ষ্টেট সরকারনা লৈশিন্নবা হোৎনরি। হৌজিক বোর্দর সিল্ড তৌনখ্রবা অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইট থিংবা লৈখ্রবনা হায়রিবা দরকার লৈবা পোৎলমশিং অসি এম্বুলেন্স থাদুনা নত্রগা ইন্দিয়ান আর্মিগী এয়ারক্রাফটনচিংবা শিজিন্নরগা ওইরবসু পুশিল্লক্লবা হোৎনরি। অরৈবা মফমশিংদগী খোমজিন্নবা হোৎনরি। সরকারগী লৈজবা ফন্দ কয়াদগী কায়থোক্তুনা লৈনবা হোৎনরি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ নারবশিংগী ওইবা তোঙানবা থম্ফম ভেন্টিলেটর মশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। জেনিমসতা হৌজিক ভেন্টিলেটর ৫ /৬ অমসুং রিমসতা ভেন্টিলেটর ৪ রোমখক্তমক লৈরি। ভেন্টিলেটর ৬ অমা নৌনা থন্নবগী মচাকশিং লৌনবা হোৎনরি। খুদক্কী ওইনা টেষ্ট তৌবা য়াবা ইক্লুইপমেন্টশিং থন্নবা হোৎনরি।

মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্চনা এপ্রুভ তৌরবা কোভিদ-১৯ খরদং ওইরবু ফহনবা অমসুং কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা হিদাক হায়দ্রোসেপিক ক্যারোকিন অসি নুমিৎ ১৪ নি পিজরগা অনাবা অদু ফগৎলকপা ঙমই হায়রি। হায়রিবা হিদাক অসি ঙরাংখক্তদা হায়রকপনা মণিপুরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মরাং কায়না লৈত্রি। অদুবু ষ্টেট সরকারনা হিদাক অসি নিংথিনা মরাং কায়না লৈশিন্নবা সরকারগী পোলিসি অমা শেমদুনা হোৎনরি।

য়ারিবমখৈ মীয়ান্না পুন্না লৈবা তোকপীয়ু। মী য়ান্না পুল্লিবমখৈ য়ান্না থুনা লায়না অসিনা নাদুনা শন্দোকই। চিনাদা লায়না অসিনা য়ান্না কন্না থুনা নারম্লগা অথুবা মতমদা থিংবা ঙমখ্রিবা অদু মীয়াম্বু নিংথিনা পুনবা তৌহন্দনা য়ুম য়ুমগী মখোয় মখোয়গী কাদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বদগীনি। মণিপুরগী ওইনা মীয়াম পুনবা অসি হন্থহন্নবা অমসুং য়ুম য়ুমদগী হেন্দোক্তনা মতম খরা লৈমিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি।

মণিপুরগী ওইনদি হৌজিক মুস্লিমশিংনা ইরাই খুদিংগী মসজিদতা, খৃষ্টানশিংনা নোংমাইজিং খুদিংগী চর্চতা, মীতৈশিংনা য়ান্না তোয়না দেব কর্ম্ম, উৎসব অমসুং লাইশংদা লাই খুরুম্বা চৎলিবা অসি মতম খরা তৌদবা য়াদবা খরখক্তনা তৌনবা হোৎনসি। মী য়ান্না পুনবা তোকসি। লাইগী তঙাইফদবা অদু মীওই ২ / ৩ খক্তনা তৌবিয়ু। তুংদা লাক্লিবা মীওইবা খুন্নাইগী জেনরেসন কন্নবা হোৎনসি।

মীতৈশিংগী ওইনা দেব কর্ম্মদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এমএলএ / মিনিষ্টরশিং অমসুং লৈকাইগী অদু লাক্তে, অদা লাক্তে হায়বনচিংবা হুন্দোক হুনজিন তৌনবগী থবক লেপসি।

মপাল্লমদা নত্রগা ভারতকী মফম অমদা মহৈ তম্লুবা নত্রগা থবক তৌরুবা মীওইশিংনা মণিপুরদা হল্লকপা মতমদা মীয়ান্না ত্রান্সপরেন্সি লৈনা মখোয় মখোয়না লৈরুরিবা মফম অমসুং লাকপগী লম্বীগী ৱারী অদু নিংথিনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনবীয়ু। মপাল্লম ফোরেন লৈবাকশিংদগী হল্লকপা কাংবুবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লোৎশিন্নবগী থবক তৌবগী পাউ ফংই। মসি খক তৌবিগনু। নিংথিনা ৱারী লিথোক্তুনা মতম চানা ক্বারেন্টাইন তৌহৌবা অদুনা মপাল্লমদগী হল্লক্লিবা মীওই অদু অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং লমদম অসিগী মীওইবা পুন্নমকপু কনবা ঙমগদৌরিবনি। মতম চানা দাক্তরগী মনাক্তা লাকপীদুনা মপাল্লমদগী হল্লকপগী হিষ্টরি লিথোকপীয়ু। ঐখোয় ইশা ইশাদগী চেকশিন্দুনা অতোপ্পদসু শোকহন্দনবা হোৎনসি। নুমিৎ ১৪ নিগী ক্বারেন্টাইন তৌরগদি মতম চানা কনবা ঙমগদৌরিবনি। অনাবা খুদিংমক মতম চানা লায়েংলগদি কনবা ঙম্বা লায়নানি হায়না মিনিষ্টর জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কনাগুম্বা কোভিদ-১৯ গী কেসকী চিংনবা লৈরে হায়বা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা পাখৎপদগী মেন্টেল দিপ্রেসন্নচিংবা লাকপা য়াবনা মতম চানা হেলঠ দিপার্টমেন্টকা পাউ ফাওনদুনা পায়খৎপা য়াবশিং পায়খৎনবা হোৎনসি। মণিপুরদা চৎনবী অমা ওইনা সোসিয়েল স্টিগমা ওইনা অদুগী ইমুংদি কোভিদ-১৯ না নারবনি, চিংনবা লৈরবনি হায়দুনা মোব জষ্টিসনচিংবা শাগৎনবা তৌবিগনু। কোভিদ-১৯ না নারবা মসিগী ইমুং অদুগী য়ুম মৈ থাগদবনি, মখোয়বু লৈকাইদগী তাম্থোক্কদবনি হায়বনচিংবা হেক্তা মোব জষ্টিস শাগৎপা তৌবিগনু। কোভিদ-১৯ না নারকপা মীওই অদুনা লমচৎ কাল্লুবদগী লায়না অসি নারকপা নত্তে।

ꯊꯕꯛ / NEW JOB VACANCIES
No deposits, no high qualifications, no experience required, New Delhi based company requires 18 M/F candidates for official managerial staffs in Imphal Brand New Office.
Qualification : X and above Age : Below 35
Earning : 8000-15000/m (Within training)
After training - 50000+ /m
Walk-In-Interview between 10 am – 3pm with Bio-data.
7005579412
Sd/- K.C. Groups
3rd Floor, Amusana Enclave
Nagamapal, Chungkham Leirak Machin
NT/BY/26-28Alt(Feb-Mar)

PERMANENT CURE
(অচৌবা পকপা)
[illegible]
(তাং-তাং চিকপা)
[illegible]
(দাইবেটিসগী প্রোগ্রেম)
[illegible]
(নুংশং)
[illegible]
(নুপাগী প্রোগ্রেম)
[illegible]
(নুপীগী প্রোগ্রেম)
[illegible]
Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buiding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking

[illegible] BLOCK MCHINE গী চেক ফংবিগনী

Class	Rate	No. of Brick	Amount	Transportation Imphal Area	Labour Charges	Total
1st	12.20	3000	36,600	3,200	800	40,600
		2000	24,400	2,200	500	27,100
		1500	18,300	1,600	400	20,300
2nd	11.30	3000	33,900	3,200	800	37,900
		2000	22,600	2,200	500	25,300
		1500	16,950	1,600	400	18,950
1st Reject	9.70	3000	29,100	3,200	800	33,100
		2000	19,400	2,200	500	22,100
		1500	14,550	1,600	400	16,550
Petti	9.50	3000	28,500	3,200	800	32,500
		2000	19,000	2,200	500	21,700
		1500	14,250	1,600	400	16,250
3rd	5	3000	15,000	3,200	800	18,100
		2000	10,000	2,200	500	12,100
		1500	7,500	1,600	400	9,050
Chekiek	Canter 407		4,000	1,600	400	6,000

Brick Sample

(Sunday Closed)
Please Contact: KNS Brick Field
WANGJING SABAL CHEKON LEI KAI
8732847831/8014588329
NT/78870/7-9(Feb-Apr)